থম্মোয় পাউদম **হুইয়েন ইন্দু**

পোলিটিক্সকী অমকপা মায়থোঙ!

'মীয়ামগী মপু ওইনা নিংথৌগুম্না হিংনবইদমক রাজনিতিৱালাশিংনা মীখল মতমদা মীয়াম-মরক্তা-মনাই শাদুনা লাক্কনি'... অইবশিংনা হায়বনি। লুচিংবনা হায়বা নত্তে, মীচম (প্রজা) না হায়বা নত্তে। 'ঐদি প্রধান (মরু ওইবা) মিনিষ্টর নত্তে, প্রধান সেবক (থৌগল্লোয়/মনাই) অদুনি'... হায়দুনা প্রাইম মিনিষ্টর মোদি'না হায়। নহা ওইরিঙৈ রেলৱে-ষ্টেসন'দা চা-য়োন্দুনা হিংনবইদমক লাঙ্হেংনরম্মী হায়বই ৱারীদুগা ৱাহায়সিগা পকশিন্নখিদুনা, মীয়াম হুপ্পা থাজখি ... 'মীয়ামগী খনবা, লায়রবই মীচঙ' - লেপ্পা লৈঙাকপুরেন অমা থোরক্লে, অওনবা অমা লাক্লনি'।

লাকখি। অওনবা অমা লাকখি। লায়রবা মীয়ামগী হুমাংমলদই শেমগৎপা জাতিগী লন (নেসনল ৱেল্থ) নি হায়নরিবা নেসনলাইজ বেঙ্কশিংদা লৈরিবা দিপোজিৎকী শেনফম, শেঞ্জাও পায়বা (ইনাক খুনবা) কোর্পোরেট হাওজশিংগী মপু, মখোয় খুজোক অমগী লুট তৌফম ওন্থোকখি। লুপা ক্রোর লাখ কয়াগী শেনফম, পুখ্রগা, শিংগৎপা ঙম্ন-ঙম্না শিংগৎহনখিদে। লায়রবশিংগী য়েক্নবা, ইনাকখুনবগী মরুপ ওইবা লৈঙাক অমা ওইরকখি। পোলিটিক্স হায়বসি পোলিটিসিয়নশিংগী মখূত্তদা শিন্নগদবা শিনফম ওইরক্রে। মীয়াম্না মীয়ামগীদমক শেম্বা লৈঙাক অদুবু দেমোক্রেসি কৌই হায়বদাই। পোলিটিসিয়ন'না তৌবা পোলিটিক্স নত্তবা, মীচম-মীয়ামগী পোলিটিক্স তঙাইফদবা ওইরক্লে। হুরানবা মচা ফারগা মঙক্তা থৌরি-থুদুনা হাৎলগা, হুরানবা-মকোক (মপি) অদুবুনা লৈঙাক মপু ওইহনবগী পোলিটিকল কলচর-শেমগৎখিবা ঐখোয়নি, শেমদোক্কদবসু ঐখোয়নি। লৈখোম-লৈনাঙ মরক্তা ফুনবা (মদ-রেষ্টলিং) গীসু রুল লৈ, লৈবাক অমগা অমগা লান শোক্নবা (লান) গীসু রুল লৈ-তঙাইফদবা ঙাক্কদবা চৎনলোন, তৌগদবা অমসুং তৌরোইদবা। অদুবু, পোলিটিক্স হেজ নো রুল। কন্সটিট্যুসন (লৈবাক ঙাক্লোন) হায়বা অমা শেন্নল্লিবা, পোলিটিসিয়নশিংনা হুরান-চিন্থি তৌনবা, মতম মতমগী ওইনা শেমদোক শাদোক তৌনবগীদমকনি। লৈঙাক্লোন খঙদবা, ফত্তবা লৈঙাকপশিংবু লৈঙাক লোইশঙ (এসেমব্লি/পার্লিয়ামেন্ট) তা থারিবসি কনাননো? তিল্লাং খয়োৎননা, মুন্না খন্থুরুরবদি খঙলক্কনি - লৈবাকসিগী মহৈ-হৈবা, অফবা মীশিংদুননি। মরমদি - হায়রক্কনি মখোয়না ... 'ঐখোয়দি ভোট থাদদে, অসি য়ৌনা ফত্তবা পোলিটিসিয়ন অসিবু ঐখোয়গী মীহুৎ ওইনা খনবদা ঐগী ভোট থাদদে, অসি য়ৌনা ফত্তবা পোলিটিসিয়ন অসিবু ঐখোয়গী মীহুৎ ওইনা খনবদা ঐগী ভোট অমা য়াওখি হায়বদু খল্লুবদা ইকায়জে'...।

'সিনি ঙসি ইন্দিয়াদা ওইরল্লিবা লৈবাক ঙাক্লোন, পোলিটিক্সকী থাক। লৈবাক শেম্নবা তৌবা পোলিটিক্স নত্তবা। লৈবাকসিবুনা য়েংহৈদনা, সর্বনাস শানা মাঙহল্লগা, লৈঙাকপশিংগী ইমুং-মনুং অদুনা নিংথৌ/রানীগী থাক্তা ৱাংখৎহনবা... ঐখোয় পূন্নমক্না উনরবা শক্তমনি। পোলিটিসিয়ন অমনা চেনগদবা তঙাইফদবা ইসেন্সিঅল ক্বালিফিকেসন... করম্বা মীরেপ্পা, মীখলদা মায় পাক্তুনা মীয়ামগী মীহুৎ ওইরক্কদবা... কনানা সী এম ওইরগা, কনানা মিনিষ্টর ওইরক্কদবা... মমিংশিংদু অপান্ননা পন্দুনা হায়রুদ্র'সু ওইরকপা য়াবা মীশিংদুগী চাউরাকপা মওং-মতৌ শক-লাকপা ঙম্মী পূন্নমক্না। অচুম্বা চৎপা, অফবা মী অমত্তসু য়াওরল্লোই মীরেপ ওইনসু থোক্লল্লোই। থোরক্লবসু কনানা মমিং পন্নরল্লোই।

হৌখিবা মে তারিখ ২, ২০২১- ষ্টেট মরি, য়ুনিয়ন টেরিটোরি অম'দা পাঙথোকখিবা মীখলগী ফল লাউথোকখি। অসাম নত্তনা, ষ্টেট অমত্তদা বি জে পি'না লৈঙাক পায়বা ঙমখিদে। মীয়াম্না পীবা মেন্দেট মতুংইন্না মাগী মাগী গভর্ণমেন্ট অমমম শেম্নখ্রে। নোংচুপ-বেঙ্গোল'দসু মমতা বেনর্জিনা লুচিংবা তৃণমুল কোংগ্রেস'না সিট ২৯২গী মনুংদা ২১৩ ফংদুনা অমুক হন্না পাৱর পায়রকখি। বি জে পি'না ৭৭ ফংদুনা অনীশুবা মফম কনখি। সী পি এম অমসুং আই এন সী-সিট অমত্তা ফংবা ঙমখিদ্রবসু, বি জে পি'না লৈঙাক পায়খিদবদুগীদমক তৃণমুল কোংগ্রেস'তগী হেন্না হরাও তয়াম ফোঙদোকখি। অহুমশুবা টর্ম অমগীদমক চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখ্রবা 'মমতা বেনর্জি' পাঙথোকখিবা ইলেক্সন অদুদা নন্দিগ্রাম এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি'দা মায়থীবা ফংহৌরবী লুচিংবীনি। হান্নগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি 'ভবানিপুর' দগী নৌনা মীখল থেংননবা শেম শারিবী মমতা হন্দকসু মায় পাকত্রবদি সী এম ওইবা তোক্কদৌরিবনি। বেঙ্গোলগী রানী অমনি,, মাবু মায়থীবা পী'ঙম্বা কনা লৈতে খল্লম্বা, মাগী নাপল থুদেকখিবা, টি এম সীদগী তোল্লবা বি জে পি লুচিংবা ওইখিবা 'সুভেন্দু অধিকারি' - মমতা দিদিগী অশাওবীনি। বি জে পি'না মখোয়গী লেজিসলেটিভ-পার্টি-লীদর (লীদর ওফ দি ওপোজিসন) হাপখ্রবা 'অধিকারি' য়াওবা মীফম অমত্তদা 'মমতা বেনর্জি য়াওদবা' - চীনবান লান্দবা ৱাশকনি। খোয়শাওনবা মপুক্তু ঈংথহন্নবা থবক্তুনি - এম এল এ ওইদনা সী এম ওইনা ৱাশক হেক লৌবগা টি এম সীগী গুন্দা-ৱার্কর ময়াম থাজিন্দুনা নন্দিগ্রাম-বি জে পি ওফিস থুগাইদুনা মৈ থাদোকহনখিবা... তৃণমুলগী মায়োক্তা বি জে পিগী মীচংদা ফোঙনা ভোট খোমখিবা, জয়শ্রীরাম লাউখিবা/বন্দে-মাতরম হায়খিবা ভোটরশিংবু তান্না তান্না ফুখিবা, ময়ূম মৈ থাখিবা, পোৎ-চৈ থুগায়খিবা, নুপী ওইবীশিংগী ইকায়খুম্নবা তেমশিংনদুনা মাঙহনবা... করি করিগুম্বদা খূৎ হন্দুনা শিংনরক্লগানা মথ্বায় ফাওবা মাঙহনবা। হ্যুমেন রাইটস কন্মিসন, ৱিমেন্স কন্মিসন, সিদ্যুল্ড কাষ্ট/সিদ্যুল্ড ত্রাইব মোর্চা'নচিংবা সোসল ওর্গনাইজেসন কয়ানসু সুপ্রিম কোর্টকী চীফ জষ্টিস ওফ ইন্দিয়া অমদি প্রসিদেন্টকী মফমদা থোক্লিবা মীহাৎ-মীপূন (হিংসা) গী থবক অসি লেপহন্নবা মরী লৈনবা এক্সন লৌখৎপীনবা অইবা চে/ৱাকৎ ওইনা থাখিবা লৈখ্রে। সুপ্রিম কোর্টকী জজ মঙানা শাবা টিম অমা থাদুনা মফমদুদা থোকখিবা রেপ-কেস অদুগী মতাংদা থিজিন্দুনা মরীক চুম্বা রিপোর্ট অমা পীখৎনবা খঙহনখিবা লৈখ্রে। রিপোর্ট'তুসু পীখৎখ্রে। রেপ-ভিক্টিম ১৪৬কী মরীক চুম্বা রিপোর্টনি। কনানসু এক্সন লৌখত্তে। বেঙ্গোল পুলিস, বেঙ্গোল গভর্ণমেন্ট অমদি তৃণমুল-ৱার্কর অহুমগী অপূনবা খূৎপু অমনা মান্নরগা পাঙথোকপা থবক ওইবনা পুলিসতা এফ আই আর অমত্তসু রিপোর্ট তৌদে। বেঙ্গোলগী প্রেস অমত্তনসু মীদিয়াদা ফোঙদোক্তে। মমতা'না হায়, তারিবা পাউ খুদিংমক বি জে পি'না শেমজিনবনি, সোসল মীদিয়াদা ভাইরেল ওইরিবা ভিদিও-ইমেজ খুদিংমকসু বি জে পি'না শেল্লগা থাদোকপা ঙাক্তনি, অসিগুম্বা থৌদোক অমত্তা থোকখিবা লৈতে বেঙ্গোল'দা। অদুবু বেঙ্গোল-ৱাথোকসিদা মায়থীরিবসি - ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট'কী মীহুৎ ওইনা ষ্টেট'তুদা লৈরিবা গভর্ণরগী মৱা ফাওবা চীফ সেক্রেটেরি, হোম সেক্রেটেরি অমদি দি জি পি'নফাওবা লৌবীদবা অসিনি। ষ্টেটসিদা চীফ মিনিষ্টরদগী হেন্না চাউবা লৈতে কনামত্তসু। প্রাইম মিনিষ্টরগী মথক্তা লৈবনি। গভর্ণরনা তৌবা য়াথং অমত্তা গভর্ণমেন্ট ওফিসর'না ইন্দে। মমতাগী মাঙদা গভর্ণর কৈসু লৈতবা প্রসিদেন্টকী মীতমনি। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী ইনভেষ্টিগেটিং এজেন্সি অমত্তা মমতাগী অয়াবা য়াওদনা চঙবা য়াদে বেঙ্গোলদা। সারদা অমদি নারদা স্কামগা মরী লৈননা, হন্দক্তা টি এম সীগী মিনিষ্টর অহুম, মেয়র অমগী মথক্তা সী বি আইনা থিজিনবা/ৱাহং পাউহং তৌবা লাকপদা মমতা মশামক চত্তুনা সী বি আই ওফিসতা পুং তরুক ফমদুনা ধরনা তৌখিবা, সেন্ট্রেল ফোর্স'তা নূংনা থাখিবা গুন্দা লিশীং অহুম লোম হোম মিনিষ্টরনা লুচিংদুনা পুরক্লগা ওফিসতুবু কোয়শিনখিবা... অতোপ্পা ষ্টেট'তা ওইরম্মু - মোদি অমসুং অমিৎ শাহ, অনীদই হেন্না কনবা অতৈ লৈরল্লোই। এবসোল্যুট মেজোরিটি ফংদুনা শেমখ্রবা লৈঙাক অমবু উথাইরুনি করম্না? ৱাখলসিননি, পাঙ্গল থোকপা ঙমদ্রিবা।

অদুবু, অমবেদকরনা শেল্লম্বা আর্টিকল ৩৫৬! অসিগুম্বা, লমহেনবা ষ্টেট লৈঙাক ৱারক্নবনি। মমতানা দিরেক্টর ওইনা পান'ঙল্লিবা, বাংলাদেশতগী থোমজিল্লকখিবা অমদি রোহিঙ্গ্যা মুসলিমশিংগী মপান্দগীনি। সী এ এ হেক চৎনহনবদা 'বেঙ্গোলদা সিভিল ৱার থোক্কনি' লাউথোকপা ঙম্বা সী এমনি। প্রসিদেন্ট'স রুল নত্তবা 'ষ্টেট ইমর্জেন্সি' লাউথোকপা য়ানবা কন্দিসন পূন্নমক ফুলফিল ওইরে। মিষ্টর প্রসিদেন্ট! করি য়েংদুনা লৈরিবনো?

লৌশিং পুক্কে

কোভিদ-১৯না নারুবদগী

মহাউ অমসুং মনম খঙদবা করম্না ফরকহনগদগে

কোভিদ-১৯ ইনফেক্সনগী ইহান হানবা খুদম-চাংদম অসি এনোজমিয়া হায়নসু খঙনবা মনম অমসুং মহাও মাঙবা নৎত্রগা খঙদবা হায়বসিনা অনম্বা মতমদা ওইগল্লি। মীওই খরগী ওইনদি মনম-মহাও মাঙবা অসিখক্তংনা মশাদা ভাইরস অসি য়াওরে হায়বগী খুদম-চাংদম ওইবা য়াওই। মনম অমসুং মহাও ফাওদবা হায়বসি য়াম্না ৱাখল নুংনাংনিংঙাই ওইবা ফিভম অমনি, অদুগা ফিভম অসি কা হেন্না কুইনা মায়োক্লদুনা লৈরগনা হেন্না নুংঙাইতবা পোকহন্নবা মরম অমা ওই।

অনম্বা মতমদা মহাওনা খঙদবনা খরা থুনা ফরক্কল্লি, অদুগা মনম খঙদবা হায়বসিনা ফরকপদা খরা কুইনা চঙ্গল্লী। মীওই অমা কোভিদ-১৯না নারুবদগী ফগৎলক্লে হায়রগসু মনম খঙদবগী ফিভম অদু অদুম্মক মায়োক্লদুনা লৈরগদি করি তৌগদগে? পাউখুমগীদমক মখাদা য়েংমিন্নসি।

ভাইরেল রেস্পিরেটরি ইনফেক্সন অমা তৌরুরবা মতুংদা মনম ফাওদবা হায়বসি অনৌবা ৱাফম অমা নত্তে। পোষ্ট-ভাইরেল স্মেল লোস (ভাইরেল ইনফেক্সন তৌরুরবা মতুংদা মনম ফাওদবা) হায়বসিদা নাতোন মহী চেনবা অমদি অতোপ্পা নাতোনগা মরী লৈনবা সিম্পটমশিং য়াওই। অদুবু কোভিদ-১৯গী ওইনদি মদু নত্তে, মসিদদি মনম অমসুং মহাও মাঙবা হায়বসিনা অহানবা সিম্পটম ওইগল্লি। কোভিদ-১৯ ভাইরস অসি নর্ভস সিষ্টেমদা য়াম্না থুনা এটেচ তৌবা ঙমই। ভাইরস অদুনা য়াম্না লায়না নাতোনদা য়ৌরকই অমদি ওলফেক্টরি নর্ভতা এটেচ তৌশিল্লি। ওলফেক্টরি নর্ভ হায়বসি নাতোনগী খ্বাইদগী মথক থংবা শরুক্তা লৈবা মনমগা মরী লৈনবা সেন্সরি ইনফোর্মেসনশিংবু ব্রেনদা য়ৌহনবগী থবক তৌবা নর্ভশিংনি।

ঐখোয়না অথুম্বা, অশিনবা, অখাবা অমদি অহাওবা মহাওশিং অসি খঙবা ঙমই অদুবু ঐখোয়দা মনম ফাওদ্রবা মতমদদি অঙ্গুর অমসুং চেরিগী মরক্তা খেন্নবা খন্দোকপা ঙমদে, অনীমক অথুম্বা পোৎশক অমতমক ওইগনি।

তোঙান তোঙানবা ষ্টদি কয়ামরুমনা সজেষ্ট তৌরি মদুদি, ভাইরেল ইনফেক্সন তৌরুবদগী ওলফেক্টরিগী মথৌ তৌবা ঙমদ্রবা মীওইশিংগী ওইনা মনমশিংদা ঙাইহাক ঙাইহাক্কী ওইনা য়াম্না তোয়না এক্সপোজ তৌবনা মখোয়বু মনম ফাওদবগী ফিভম অদুদগী রিকভর তৌরকপদা মতেং পাংবা ঙমই।

জর্নেল ওফ ইন্টর্নেল মেদিসিনদা পব্লিস তৌখিবা ষ্টদি অমগী মতুংইন্না পেসেন্টশিংগী চাদা ৯৫না থা তরুক্কী মনুংদা মনম ফাওদবগী ফিভম অদু ফরকই হায়রি।

পেসেন্ট অয়াম্বগী ওইনা, সার্স-কোভ-২ ভাইরসনা ওলফেক্টরি ন্যুরেল সার্কুইটশিংদা পর্মেনেন্ট দেমেজ থোকহন্দুনা এনোজমিয়া লেপ্পুনা তৌহনবগী থৌওং থোকহন্দবা য়াই।

মীওই কয়ানা মৈনা চাক্লবা কোল্লা চাবা অমদি তিলহৌবু সেম চীক্তুনা চাবগুম্না চীকপনচিংবা এরোমেটিক চীঞ্জাকশিং শীজিন্নদুনা মখোয়গী মাঙলুরবা মহাউগী সেন্স অদু ট্রিগর তৌনবা হোৎনবগী ভীদিও কয়া অমা ইন্টর্নেটতা থোরক্লি। মসি য়েংনবদদি মওং তাদবা থৌওং অমা ওইবা য়াই অদুবু কান্নবদি ফংই হায়রি। হায়রিবা এক্সর্সাইস অসি ওলফেক্টরি ট্রেনিং তৌবগা চপ মান্নবা থবক তৌই হায়রি। ওলফেক্টরি ট্রেনিংনা হকচাংগী ন্যুরোপ্লাষ্টিসিটিবু য়ুটিলাইজ তৌই। ন্যুরোপ্লাষ্টিসিটি হায়বসি হকচাংনা অনৌবা নর্ভ পাথৱেশিং ফোর্ম তৌবা ঙম্বগী পাঙ্গল অদুবুনি। হকচাংনা অনৌবা ন্যুরেল পাথৱেশিং শেম্বদা মেথদশিং অসিনা মতেং পাংই অমদি অসুম তৌবা অসিনা সেন্স ওফ স্মেল অদু রিকভর তৌই।

অল্ফা-লিপোইক এসিদ, ভিটামি এ সপ্লিমেন্টশিং অমদি ওভর-দ-কাউন্টর ষ্টেরোইদ নেজল স্প্রেশিংসু শীজিন্নবদা কান্নবা ফংবা য়াই। ওলফেক্টরি ট্রেনিং অসি য়ূমদা য়াম্না লায়না তৌবা য়াই অমদি মসি সাইদ ইফেক্ট অমত্তা লৈতে। মসিনা স্মেল ফাইবরশিংবু অমুক মথৌ তৌরকহন্নবগীদমক প্রোমোট তৌবদা মতেং পাংই।

য়ূমদা অরৈবা পোৎলমশিংদগী হান্না হেক্তা মনম নম্বা হৌবা য়াই। কোফি, পর্ফ্যুম, য়ুবি, ভানিলা, নুংশিহীদাক, লোং (ক্লোভ), য়ুকেলিপ্টস, সাইত্রস নৎত্রগা তোঙান তোঙানবা ইসেন্সিয়ল ওইলশিংদগী হান্না হেক্তা মনম নম্বা হৌবা য়াই। হায়রিবা পোৎলমশিং অসি হেক আইদেন্টিফাই তৌবা ঙম্লকপগা অতোপ্পা মনমশিংদা অমুক মখা চত্থবা য়ারে।

কোভিদ-১৯না নারুবদগী ফগৎলকপগী মতম অসি মীওই অমগা মীওই অমগা মান্নদে। কনাগুম্বা মীওই খরনা নুমিৎ খরনিগী মনুংদা ফগৎলকই অদুগা অতোপ্পা মীওই খরনা থারোমদা চঙবা য়াই। কোভিদ নারুবা মতুংদা মনম খঙদবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লবা মীওইশিং পেরোস্মিয়াগী সাইদ ইফেক্টশিং লৈরম্বা য়াই। পেরোসমিয়া হায়রিবা ফিভম অসিনা মনম খঙদবগী থৌওং অদুদি ফরক্লবা অদুবু পোৎশক অদুগী অশেংবা মনম অদু ফাওবগী মহুত্তা নমথিবা মনম ওইনা নম্বগী থৌওংনি। পেরোসমিয়াগী মতাংদা হেন্না মমুৎ তানা খঙনবগীদমক লৌশিং পুক্কেগী মতুং তারকপদা লাক্কদবা ইস্যুশিং ঙাইমিন্নসি।

আর্টিকেল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

ঌাৗল্লিংংব/শোরাংকী পাউজেল

লমশাং A/C দা term অহুম্লক MLA ওইরম্বগা লোয়ননা MI অমসুং CADAগী Minister ওইবিরমদুনা অমদি Rural Development Organisation (RDO) লিংখৎপীরমদুনা মতম কুইনা মীয়ামগী অমদি সমাজ অসিগী চাওখৎ থৌরাংগী থবক থৌরম কয়া তৌবীরম্লবা শ্রীৱাংখৈমযুম ব্রজবিধু সিংহনা ইখঙ-খঙহৌদনা হৌখিবা তাং ৩০/০৫/২০২১ ইং, কালেনগী ২০নি পানবা নোংমাইজিং নুমীৎতা শ্রীগুরুগী কৃপাদগী বেষ ওল্লগা শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্যা "বনচন্দ্রা দাস" হায়বা নাম ফংজদুনা তাইবংপান থাদোকখ্রে।

লাক্লিবা তাং ০৪/০৬/২০২১ ইং, কালেনগী ২৫নি পানবা ইরাই নুমীৎতা অষ্ঠি সঞ্জয় লৌখৎচরগা লাক্লিবা তাং ১২/০৬/২০২১ ইং, ইঙাগী নিনি পানবা থাংজ নুমীৎতা লৈখিদ্রবগী চিড়া উসব দিন থোক্লে। নুমীৎ অসিদা লৈবাক্কী ওইবা লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা ঈশ্বরগী তৌদবা য়াদবা থৌরম খক্তমক ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগা লোয়ননা পাঙথোকচরগনি। মসিগীদমক মতম কুইনা লৈখিদ্রবগী মরুপ-মপাং ওইনা লোয়নবিরম্বা অমদি লোয়নবিরম্বীশিং খ্বাই পূন্নমক্না ৱারৌবিদনবা নোল্লুকচরি।

নোল্লুকচরিবশিং :-

শ্রীমতি ৱাংখৈমযুম ওংবী শুমতি দেবী (সহধর্ম্মীনি)

শ্রী ৱাংখৈমযুম রিচার্দ সিংহ (মচানুপা)

১. লাঙ্গম ওংবী মেম্মা দেবী (মচন্নুপী)
২. ৱাংখৈমযুম ওংবী লৈবাকলৈমা দেবী (মনাওনুপী)
৩. মোইরাংথেম ওংবী ইবেমনুংশি দেবী (মচন্নুপী)
৪. শনজেনবম ওংবী ইবেনি দেবী (মচন্নুপী)
৫. নামৈরাকপম ওংবী ভগেশ্বোরি দেবী (মমৌনুপী)
৬. ৱাঙ্খৈমযুম ওংবী শুরমালা দেবী (মনাওনুপী)
৭. ৱাংখৈমযুম প্রেমিলা দেবী (মচানুপী)
৮. ৱাংখৈমযুম দেনয়েন্সি দেবী (মচানুপী)

১. থিঙোম মুনান সিংহ (মশেন্নুপা)
২. ৱাংখৈমযুম হেমচন্দ্র সিংহ (মনাওনুপা)
৩. ৱাংখৈমযুম শুরজিৎ সিংহ (মচানুপা)
৪. ৱাংখৈমযুম অমরজিৎ (ইনাও) সিংহ (মচানুপা)
৫. ৱাংখৈমযুম বিনোই সিংহ (মচানুপা)
৬. ৱাংখৈমযুম ধিরেনজিৎ সিংহ (মচানুপা)

HL-P/9905/6,7,8,9

লমদেং ময়াই লৈকাই।

ফেস মাস্ক য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৬ (ঐচ এন এস) : সেলিন দিজিটেল অমদি এন আর মীদিয়ানা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকা মরী লৈননা চত্থরকপা ঙমজবা খরদং হায়বা থৌরাংগী মনুং চন্না চূড়াচান্দপুর বজারদা মথৌ তৌরিবা সিক্যুরিটি পর্সনেল, ত্রাফিক পুলিস অমদি লেবরশিংদা ফেস মাস্ক য়েন্থোকখ্রে হায়না সেলিন দিজিটেলগী ফিল্ড পব্লিসিটি ওফিসর কে এস ঐচ জেমসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থৌরমদুগা মরী লৈননা সেলিন দিজিটেলগী প্রসিদেন্ট ফাঞ্জৌবম লনজিৎনা ফোঙদোকখিবদা, কোভিদ-১৯গী অহানবা ৱেভতসু সেলিন দিজিটেল অমদি এন আর মীদিয়াগী মায়কৈদগী সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংদা ফেস মাস্ক, সেনিটাইজরনচিংবা খুদোল তন্বগী থবক অসি চত্থদুনা লাক্লি। অনীশুবা ৱেভকী ওইনসু ঙসি সিক্যুরিটি পর্সনেলশিং, ত্রাফিক পুলিস অমদি লেবরশিংদা ফেস মাস্ক খুদোল তন্বনি।

থৌরম অদুদা এন আর মীদিয়াগী প্রোপ্রাইটর এন আর রাজেসসু শরুক য়াখি হায়রি।

'য়ূম অমা, উ পাম্বী অমা' হায়বা কেম্প্যেন হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৬ (ঐচ এন এস) : হ্যুমেনিজম ফাউন্দেসননা মণিপুরগী য়ূমথোঙ খুদিংদা উ অমমম থানবা পান্দমগা লোয়ননা 'য়ূম অমা, উ পাম্বী অমা' হায়বা কেম্প্যেন অমা হৌদোকখ্রে।

ৱর্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট দেগী নুমিৎ জুন ৫দগী হৌদুনা লিশাং শিংনা চত্থরক্কদৌরিবা 'য়ূম অমা, উ পাম্বী অমা' হায়বা কেম্প্যেনগী শরুক অমা ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল, বিষ্ণুপুর, ইম্ফাল ইষ্টতা লৈবা য়ূম ৪০ মুক্তা উ চারাশিং য়ূমগী মীওইশিংগা পুন্না থামিন্নখি।

কেম্প্যেন অসিগী শরুক অমা ওইনা হ্যুমেনিজম ফাউন্দেসন ৱর্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট দে নুমিৎতা লোকল ক্লব, এন জি ও অমদি য়ুথ লিদরশিংগী ওইবা ষ্টেট লেভেল ভর্চ্যুএল ৱার্কশোপ অমসু পাঙথোকখি।

ৱার্কশোপ অদুদা রিছোর্স পর্সন ওইনা শরুক য়াখিবা, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ফোরেষ্ট্রি এন্দ ইনভাইরোনমেন্ট ষ্টদিজতা দি এস টিগী ফেকলটি মেম্বর ওইনা লৈরিবী ডা. বিনোতা থোকচোমনা হায়খি, মণিপুরদা ইনভাইরোনমেন্ট কন্নবগী থবক অসি হীরম খুদিংদা অতৈ ইন্দিয়া অমদি অতোপ্পা লৈবাক্কী মফমশিংগা য়েংনরুবদা য়াম্না থিন্থদুনা লৈরি।

ৱার্কশোপ অদুদা য়াওখিবা মীওইশিংনসু মণিপুরদা অথুবা মতমদা রিজল্ট-ওরিয়েন্টেদ ওইবা ইনভাইরোনমেন্ট কন্নবা থবক থৌরশিং অথুবদা পায়খৎপগী তঙাইফদবা লৈরে। লমদমসিগী মীপূম খুদিংমক্লসু ইনভাইরোনমেন্ট কন্নবা থৌদাং লৌমিন্নবা মথৌ তারি। লোয়ননা ষ্টেট শিনবা থুংনা এৱেয়ের্নেস কেম্প্যেন কয়া চত্থদুনা মীয়ামদা ৱাখল তাহনবা চঙই হায়নসু ফোঙদোক্লখি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

লৈবাক মীয়াম্না কোভিদ টেষ্ট তৌবা চৎপদা চেকশিনবা মথৌ তারি

লৈকায় অমগী কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা য়াওরকপদগী কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা অমদি কন্টেক ট্রেসিংদা মখোয়গা শোক্না শম্নরুবা মীওইশিং লৈকায়না মপান থোকপা য়ারোই হায়দুনা থিংলিবা মীওইশিং কোভিদ টেষ্ট তৌবা চৎপা মথৌ তারকই। লৈকায় লৈকায়দা ক্লব, কোভিদ টাক্স ফোর্সকী ভলন্টিয়রশিংনা শিনবীরগদি য়াম্না ফগনি। টেষ্ট তৌনবগীদমক মী ৩০ শুদ্রবদি ডোক্তরশিংনা অমদি এটেন্দন্টশিংনা লৈকায়দা টেষ্ট তৌবা লাকপীয়ু হায়বদা য়াবিদবা অসিমকসু য়াম্না লাইবকথিবনি। করিগুম্বা পোজিটিভ ওইরবা ইমুং অদুগী য়াম্না নক্লবা মচা মশু, মমা মপা পুন্না কিলোমিটর ২/৩ লাপ্পা মখোঙনা টেষ্ট তৌবা চৎপা হায়বসিমক কয়াদা খুদোংথিনিংঙাই ওইরিবনো? য়ুমদা পোজিটিভ ওইবা য়াওরকপদগী টেষ্ট তৌবা চৎপদা শকখঙদবা মীওইশিংগা শোক্না শম্নরুরবদি নারমদবা মীওই কয়াদা লাইচৎ অসি শন্দোকখিবা য়াবগী অকিবসু লৈ। শেল পায়জদবা অমদি গাড়ী লৈজদবা নোংমগী শুরগা চারা চিন্দল্লিবা ইমুংগী মীওইশিংদদি অমুক্কা হেন্না অৱাবগী মশকনি। মরম অদুনা ফ্রন্ট লাইনদা লৈরিবা মীওইশিংনা অঙম অঙম্বা মতেং পাংবীদুনা লাইচৎ অসি শন্দোরক্তনবা হোৎনহন্নিংই।

❐ সোবিতা মোংজম, নম্বোল কোংখাম

দি এম য়ু ষ্টেট য়ুনিভর্সিটি ওনখ্রবসু লৈফম থোকপশিং ঙসিসু মতিক চানা লৈত্রি

মীয়াম্না কিনৈ হায়না শোন্নরম্বা কোভিদ-১৯ গী ফার্ষ্ট ৱেভ লোয়খিদুনা অনীশুবা ৱেভকী লানফম কনশিল্লক্লি। অসিগুম্বা লাল্লকসিদা দি এম য়ুগী মহৈরোয়শিংগী লালসু হৌনরুবা তৌদনা কনখৎলক্লি। মীয়াম্না অৱাংবা থাক্কী য়ুনিভর্সিটিনি হায়নরিবা দি এম য়ু অসিদা অশা কয়াগা লোয়ননা চঙলকখিবনি। অদুবু ২০১৮ দগী ষ্টেট য়ুনিভর্সিটি অমা ওনখ্রবসু য়ুনিভর্সিটি অমদা লৈফম থোকপা অমত্তা মতিক চানা লৈতবনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী প্রোগ্রেস খুদিংমক্তা অশোয়বা অরানবা কয়াগা লোয়ননা দিলে তৌদুনতা লাক্লি। তোঙান তোঙানবা ইশ্যু কয়া ঙসিসু অদুমক চত্থদুনা লাক্লি। কোভিদ-১৯ না মরম ওইদুনা ফিজিকেল ক্লাস তৌবা য়াদ্রবনিনা ওন লাইন ক্লাস মপুং ফানা তৌবিয়ু অমদি য়ুনিভর্সিটি কয়াদা মাষ্টর তম্নবা ইন্ত্রাস এগজামগী এরেঞ্জমেন্ট তৌনখ্রবা ফাওবদা দি এম য়ুগী ৫শুবা সেমিষ্টরগী এগজাম তৌবদি লাইরদনা সেলেবস তঙ্খাই ফাওবা লোইদ্রি। মরম অসিনা মহৈরোয়শিংনা অতোপ্পা য়ুনিভর্সিটিদা মাষ্টর তৌবা ফংলোইদ্রা হায়না পাখৎনরি। মহৈরোয়শিংগী করিয়র মাঙদনবা মরী লৈনবশিংনা অমদি লৈঙাক্না দি এম য়ুদা হৌজিক হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিগী মতাংদা কুপ্পা য়েংশিনহন্নিংই।

❐ থোকচোম লনচেনবা, খাঙবোক ময়াই লৈকায়

কোভিদ লায়চৎনা খম থেংনা ৱারবা মতমসিদা চেঙদা পোলিটিক্স তৌবিগনু

থা অমা মখায় হেন্না ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা কন্টেনমেন্ট জোন অমদি কর্ফিয়ু থল্লবসু কোভিদ পোজিটিভ কেসকী মশীং নোংমদা ৭০০ তগীনা ১,০০০ ফাওবা তাদনা ওইরি। শিবগী চাংসু হন্থদ্রি হায়বা য়াই। ৱারবা মীয়ামগীদমক্তা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা মে অমদি জুন থাগী লেম্না পীথরকপা পি এম জি কে এ ৱাইগী মী অমমমদা চেঙ কেজি ৫/৫ পীগনি হায়না মীদিয়াদা ফোঙনরকখ্রবা মতুংদা ঙসিদি চেঙ য়েনবদা শুপ্নগী কেজি ৩/৩ খক পীবগী ৱাথোক্না মফম খুদিং নিল্লে। লৈঙাক্লসু হীরম অসিদা থোইনা মীয়াম মাঙদা শেংদোকপা হায়বদু ওইদ্রি। অসুক ৱানরবা মতম অসিদা চেঙদা পোলিটিক্স তৌবা তোকপীয়ু। মীয়ামগীদমক্তা অখাকপা লৈতনা হোৎনবীয়ু, সোসল ৱার্কর, সী এস ও কয়ানা মীয়ামগীদমক্তা অঙম্বা হোৎনবীবা তশেংনা থাগৎনিংঙাইনি। লৈঙাক্না কোভিদ-১৯ গী লানদা অঙম্বা থাক্তা হোৎনবীবগুম শেন্থোক লম্বী লৈজদ্রবশিংগীসু থৌরাং থৌশিল অমা পুথোকপীদুনা মতেং পাংবিরবদি পূন্নমক্কী য়াইফবা ওইগনি। মীয়ামসু চহী অমা হেল্লক্লবা কোভিদ লাইচৎকী মরমদা খঙলবসু নারক্ত্রিবখৈ চেকশিন্দে। চেকশিন্দ্রিবমখৈ ৱাবা হেল্লক্কনি হায়বসিসু কাওদবা ফৈ। তাইবং মীওইবগী লাইচৎ হায়বসিদি মীওইবা ঐখোয় খক্তনা কনবা ঙম্নবা হোৎনগদবনি। অতৈ অতোপ্পা কনা অমনা লাক্লগা হোৎনবিগদবা নত্তে খঙমিন্নসি।

❐ য়ুমখাইবম ইনাওচা লুৱাং, তোপ মখা লৈকায়

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৭।০৬।২০২১ ইং, নিংথৌকাবা; অয়ুক পুং ৮.৪৯ ফাওবা কালেনগী ২৭ নি পাল্লি, মতুং ২৮নি পাল্লনি।

মেষ : লন চাওখৎপা, নীংবা মপা চাবা, মরুপকী মতেং ফংবা অমদি অনৌবা থৌরম পাংবা পাম্বা নুমিৎনি। অশাওবা অমদি অনম তানবনা মাঙবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

বৃষ : হন্থবা লোয়নবদা অমদি ৱাঙাঙ হৈতবদগী ঈকাই-নুংশি য়ান্নবা থৌদোক নংবা য়াই। ইমুং মনুং তানবা অমদি থৌনা ফুদোকপনা মায়দি পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱা ঙাঙদ্রদি ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

মিথুন : লন, মীংচৎ অমদি লৌশিং অফবা ফংজবা নুমিৎনি। লৌশিং চাওবা অমদি ইমুং মনুংগী মতেং ফংগনি। য়েৎনবতদি য়াওরুনু চাওনা মাঙজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কর্কট : মরুপ খনবা হৈত্রদি অমদি ঈরাং পুরদি চাদিং হেনগনি। নীংবা অফবা থবক্তুদি লায়না পাংগনি, হকচাং খিংগনি অমদি নুংঙাইবা পাউ তাগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ।

সিংহ : লেপ্তুনা হোৎনবনা মীকোক থোংবা ঙমজবা নুমিৎনি। অদুবু মতাং চাদনা থৌনা ফুদোক্কনু অমদি মরম চাদনা খুৎচাও থাগনু-পামদবা নংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- হেন্না পামশিনগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম।

কন্যা : অঙনবদা অফবা খোঙশাল লৈ। থেংথরদি লৌশিং চাওবা অমদি লাই-গুরুগী ৱা তাদ্রদি মায় পাকপা ৱাগনি। থিজিনবা কনখো-য়েৎনরুনু।
লৈশা পাখংশিংগী- পূক্লিং ফাথনা লৈয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/অশংবা।

তুলা : ঙসিসু নীংবা থুংগনি, থবক্কী লম্দা খূৎলোইনা পাংগনি অমদি অচুম্বনা য়ুম্ফম ওইনা পাংবা খুদিং মায় পাক্কনি। হকচাং নুংঙাই, মীয়ামগা মরী ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নংশিবা ফংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

বৃশ্চিক : পাউ নুংঙাইতবা তাবা, চিংনবা অমদি ইচং থৌবা য়াদবা ওইরসু মীয়াম্না য়াগনি, চাদিং হন্থগনি অমদি শেল-থুমগী লম্দা মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরী চেৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

ধনু : ঙাঙথোকপদা ফজবা অমদি থৌরম য়াৎপা হৈবনা মায় পাকচৌ হায়বা নুমিৎনি। ফিংদবা অমদি চরাংনদবনা নুংশাথিবা অমদি মতম মাঙবা কনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- অশাওবনা মাঙজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙংবা।

মকর : অচুম্বনা লন চাওখৎকনি, শাগৈ/নক্লবনা লুনা খনবীগনি অমদি হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা অমদি ৱা য়াম্না ঙাঙবনা ইকাইবা নংবা য়াবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱা ঙাঙদবনা মফরে।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

কুম্বা : মীচং হেনগৎকনি, য়েক্লবা মাঙখিনি অমদি খন্থরগা নীংবদুমক পাংবা য়াবা নুমিৎনি। মরুপকা ৱাখল তান্নদবা অমদি অনম তানবা য়াদবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক খরা ফরে।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিন : মীনা লাকচবা ঙমলোই, নীংহন্নগনু-মায় পাক্কনি অমদি মীয়াম্না থাগৎপিবা লৈগনি। তহা তহারদি নরল মাঙগনি অমদি শোক-পনবা য়াবা থেংনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- তপথৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

[illegible]

Resonance®
Educating for better tomorrow

ADMISSION OPEN NOW

Live-Video Learning Programmes

- Live Classes
- Assignments
- Periodic Tests
- Doubt Solving Sessions
- Live Recorded Lectures

Courses:

- 2-Years Integrated Course for Class XI
- 1-Year Course for NEET/JEE
- 45-days Special Crash Course for NEET 2021 from June 15th, 2021

Satarting first week of June 2021

Hurry Up!
We have limited seats

9402979552 / 8794961535
NachomEdu Foundation
3rd Floor, SI and Sons Building, Kwakeithel Thokchom Leikai, Imphal West-1

HL/P/9004/3-12